# ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মমিং হোংদোক্লবা ষ্টেট এসেমব্লিনা ৱারেপ লৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৯ (এজেন্সী): ৱেষ্ট বেঙ্গল এসেমব্লিনা ঙসি ষ্টেটকী মমিং হোংদোক্লবগী মতাংদা রিজোল্যুসন অমা পাস তৌখ্রে। চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জীনা হীরম অসিগী মতাংদা মতম কয়াগী মমাঙদগী অকনবা থৌরাং লৌখৎতুনা লাকখিবনি।

এজেন্সীগী পাউ মতুংইন্না ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মমিং বেঙ্গোলিদা বাঙ্গলা, ইংলিশতা বেঙ্গোল অমসুং হিন্দিদনা বঙ্গাল হায়না খঙনরগনি।

ওগষ্ট ২৬ তা হীরম অসিগা মরী লৈননা কৌখিবা এসেমব্লিগী অখন্নবা মীফমনা ষ্টেটকী মমিং হোংদোক্লবগী মতাংদা ৱারেপ লৌখিবনি। এসেমব্লিদা রিজোল্যুসন পাস তৌরবা মতুংদা চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জীনা হায়খি, ষ্টেটকী মিং হোংদোকপগী ৱাফম অসি সেন্টরদা ময়েক শেংনা খঙহনখিবগা লোয়ননা পার্লিয়ামেন্টকী মথংগী মীফমদা ৱাফম অসিগা মরী লৈননা রিজোল্যুসন অমা পাস তৌবীনবা তকশিনখ্রে।

লেফট ফ্রন্টনা মিং হোংদোকপগী ৱাফম অসি অয়েৎপা পীদুনা লাকখি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, মমাঙদা লেফট ফ্রন্টনা ষ্টেটকী মিং হোংদোক্লবগী মতাংদা কয়ারক হন্না হোৎনবদা মায় পাকপা ঙমখিদে। হৌজিক অমুক তৃনামূল কোংগ্রেসনা গভর্ণমেন্ট পায়রক্লবা মতমদা ষ্টেটকী মমিং হোংদোক্লবা থৌরাং লৌখৎলকপদা লেফট ফ্রন্টনা অথিংবা পীরকখিবনি।

লৈবাক মীয়ামগী অপান্বা মতুং ইন্না লৌখৎলিবা থৌরাং অসিগী মায়োক্তা লৈবা মীওই খুদিংমক পুৱারীনা ঙাকপীবা ঙল্লোই হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোংদোকখি।

মমতা বেনর্জীনা লুচিংবা গভর্ণমেন্টনা মমাঙদা ৱেষ্ট বেঙ্গলদগী ৱেষ্ট হায়বা ৱাহে লৌথোক্লগা শুপ্পগী বেঙ্গল খক্তমক ওইহন্নবা থৌরাং লৌখৎখি। ষ্টেটকী পার্লিয়ামেন্টরি এফেয়র্স মিনিষ্টর পার্থা চেটরজিনা হায়খি, ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মমিং ইংলিশতা বেঙ্গোল অমসুং বেঙ্গোলিদনা বঙ্গলা হায়না ওন্থোক্লবা থৌরাং লৌখৎতুনা লাকখিবনি। কুমজা ২০১১ দসু ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মমিং পসচিম বঙ্গো হায়না ওন্থোক্লবা সেন্টরদা পুখৎখি। অদুবু অয়াবা পীরকখিদে।

ষ্টেটকী মিং ওন্থোক্লবা থৌরাং লৌখৎপগী মতাংদা মিনিষ্টরনা হায়খি, লৈবাক অসিদা লৈরিবা ষ্টেটশিংগী ওইবা মীফম পাঙথোকপা মতমদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ৱাফম্না খ্বাইদগী অরোইবদা খন্নবা মরম্না ৱেষ্ট হায়বা ৱাহে অসি লৌথোকপা তারবদি খুদোংচাদবা অসি কোকহনবা ঙম্লগনি। মিং হোংদোকপগী মতাংদা মায়কৈ কয়াদগী য়ানিংবা অমসুং য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকখি।

সাহিত্য একাদেমী এৱার্দ ফংখ্রবা অইবা শির্সেন্দু মুখোপধ্যায়না হায়খি মদুদি, ৱেষ্ট বেঙ্গল হায়বা মমিং অসিগী ৱাহন্থোক লৈতে। মতম অমদা ষ্টেট অসিগী মমিং বঙ্গভুমি কৌরম্মী। ইন্দিয়ানা নীংতম্বা ফংলবা মতুংদা ষ্টেটকী মমিং হোংদোকখিবনি। কুমজা ১৯৪৭কী মতুং তারকপদা ইষ্ট বেঙ্গল অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গল হায়না খায়দোকখিবগা লোয়ননা ইষ্ট বেঙ্গলনা পাকিষ্টানগী শরুক অমা ওইখি। অদুগা ৱেষ্ট বেঙ্গলনা ইন্দিয়াদা লৈহৌখি। তুংদা ইষ্ট বেঙ্গলগী মমিং ইষ্ট পাকিষ্টান হায়না ওন্থোকখিবগা লোয়ননা কুমজা ১৯৭১ গী লান মতুং তারকপদা বাংলাদেশ হায়না ওন্থোকখি।

# গান্ধী হাৎখিবগী ৱাথোক : আর এস এসনা রাহুলগা য়াশিন্নবা তৌরোই হায়খ্রে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৯ (এজেন্সী): মহাত্মা গান্ধী হাৎখিবগী মতাংদা শীরকখিবা মরালগা মরী লৈননা কোংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীগা য়াশিন্নবা তৌরোই হায়না রাষ্ট্রিয়া স্বয়মসেবক সঙ্ঘ (আর এস এস)না ফোঙদোকখ্রে।

রাহুল গান্ধীগী মথক্তা ক্রিমিনেল দিফেমেসন কেস অমা থাঙ্গৎখিবা আর এস এসকী লুচিংবা রাজেশ কুন্টেনা হায়খি, করিগুম্বা রাহুল গান্ধীনা লাল্লে হায়জরক্লবদি হীরম অসিগী মতাংদা য়ানবা পুরকপা য়াই।

মহাত্মা গান্ধী হাৎখিবগী মতাংদা আর এস এসপু অমুক হন্না মরাল শীবা তৌররোই হায়না রাহুল গান্ধীনা সুপ্রিম কোর্টতা অইবা চেরোল অমা পীশিনগদবনি হায়নসু রাজেশ কুন্টেনা ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা মহাক্না হায়খি, হৌজিকমক্কী ওইনদি রাহুল গান্ধীগী মথক্তা থাঙ্গৎলিবা দিফেমেসন কেস অসি লৌথোকপগী ৱাফম লৈতে। কোংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট অসিনা মহাত্মা গান্ধী হাৎখিবগী মতাংদা আর এস এসপু হঞ্জিন-হঞ্জিন মরাল শীখিবা মরম্না সুপ্রিম কোর্টতা কেস অসি মখা তানা থেংননবা ফিরেপ লৌরে।

হৌখিবা ওগষ্ট ২৪ দা রাহুলনা আর এস এসপু অতম্ননা মরাল শীখিবা লৈতে হায়না কোংগ্রেস লুচিংবা কাপিল সিবালনা ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা সুপ্রিম কোর্টনা কেস অসি লোইশিন্নবগীদমক রাজেশ কুন্টেগী অয়াবা ঙাইদুনা লৈরি। রাহুলগী মায়কৈদা লেপখিবা কাপিল সিবালনা হায়খিবনি মদুদি, আর এস এসকা শম্নবা মীওই খরনা মহাত্মা গান্ধী হাৎখিবনি হায়না রাহুলনা ফোঙদোকখিবনি। আর এস এসপু অতম্ননা মরাল শীবা তৌখিদে। অদুবু থংনবা নুমিৎতা রাহুল গান্ধীনা ত্বিটরদা থাদোরকখিবা ৱারোল অমনা হায়খি মদুদি, মহাত্মা গান্ধী হাৎখিবগী মতাংদা মহাক্না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুগা মরী লৈননা খোঙফম হন্দোকপা তৌরোই। কাঙলুপ নাইবা আর এস এসপু মখা তানা মায়োক্লনবা থৌরাং তৌরে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

অমরোমদা, কোংগ্রেসকী লুচিংবা রিজৱান অর্সদনা হায়খি মদুদি, আর এস এসনা মতম চুপ্পা মহাত্মা গান্ধীগী মায়োক্তা লেপ্তুনা লাকখি হায়বা পুৱারীনা ময়েক শেংনা তাক্লে। মশাগী খুদোংচাবা য়েংলগা থবক তৌরিবা আর এস এসপু কোংগ্রেসনা মায়োক্লনবা শেম শারে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা অর্সদনা হায়খি, মহাত্মা গান্ধী শিখিবা নুমিৎতা আর এস এসনা অথুম-অহাও য়েন্থোকখি হায়বা ৱাফম অসি পুম্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। গান্ধী হাৎখিবা নাথুরাম গোদসেসু আর এস এসকী মেম্বরনি হায়বা মীপুম খুদিংমক্না খঙনরবনি। লৈবাক্কী অপূনবা শক্তম কায়হন্দনবা হোৎনখিবগীদমক গান্ধীবু আর এস এসনা হাৎখিবনি।

অমরোমদা, ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)না হায়খি মদুদি, কুমজা ১৯৮৪গী এন্টি সিখ রাইয়ট অদু কোংগ্রেসনা থোকহনখিবনি হায়বা ৱাফমদা রাহুল গান্ধীনা করি করম্বা পাউখুম পীগদৌরিবগে। চহী অদুদা কোংগ্রেসকী লুচিংবা খরনা মরু ওইবা থৌদাং লৌরগা সিখ ফুরুপকী মীওই কয়া হাৎখি হায়না বি জে পিনা মরাল শীরি।

# এ এ পি, সিলা দিক্সিটনা লুপা ক্রোর ৪০০গী ৱাটর টেঙ্কর স্কেম লোৎশিন্নবা হোৎনরে : বি জে পি





ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৯ (এজেন্সী): ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)না ঙসি হায়খ্রে মদুদি, আম আদমি পার্টি (এ এ পি) অমসুং কোংগ্রেস লুচিংবী সিলা দিক্সিটনা লুপা ক্রোর ৪০০ গী ৱাটর টেঙ্কর স্কেম লোৎশিন্নবা হোৎনরে।

দিল্লি এসেমব্লিদা ওপোজিসন লীদর ওইরিবা বিজেন্দর গুপ্তনা হায়খি, এ এ পি গভর্ণমেন্টনা শেমখিবা ফেক্ট ফাইন্দিং কম্মিটিনা পুথোকখিবা ৱাফম মতুংইন্না ৱাটর টেঙ্কর ৱায়বদা অচৌবা শেঙ্গা-থুমজা তৌখি হায়বা ময়েক শেংনা খঙনরবনি। অদুবু বিধান সভাদা ৱাফম অসিগা মরী লৈনবা ৱাহং পুখৎলুবা মতমদা এ এ পিনা ৱাথোক অসি লোৎশিন্নবা হোৎনরে।

এন্টি করপ্সন ব্যুরো (এ সী বি)না ৱাথোক অসিদা চেন্নবা মীওই খুদিংমক অথুবা মতমদা ফাগদবনি হায়না তকশিল্লদুনা গুপ্তনা হায়খি, ৱাথোক অসিগী মতাংদা এ সী বিনা অর্বিন্দ কেজ্রিৱাল, সিলা দিক্সিট, কাপিল মিশ্রা অমদি অতৈ চেন্নবা মীওইশিং ৱাহং পাউহং চথুগদবনি।

পনবা য়াবদি কুমজা ২০১২ দা দিল্লি জল বোর্দনা ৱাটর টেঙ্কর ৩৮৫ নেল্লগা মীয়ামদা থক্লবা ঈশিং ফংহন্নবা থৌরাং লৌখৎপদা শেঙ্গা-থুমজা তৌখি হায়বা ৱাফম অমা খঙনরকখিবনি।

অমরোমদা, পঞ্জাবকী গভর্ণমেন্ট পায়রিবা সিরোমনি অকালি দল অমদি এ এ পিগী মরক্তা চাউনা মুক্লরকখিবগা লোয়ননা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর সুখবির সিংহ বাদলনা হায়খ্রে মদুদি, এ এ পিনা তোঙান-তোঙানবা ইন্টরনেসনল এজেন্সী কয়াদগী ফন্দ লৌখিবগী মতাংদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা মপুং ফাবা ইনভেষ্টিগেসন অমা চথহনবা মথৌ তাই।

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরদা থাবা চেরোল অমদা পঞ্জাবকী হোম মিনিষ্টরসু ওইরিবা সুখবির সিংহ বাদলনা হায়খি, এ এ পিনা মপান লৈবাক কয়াদগী য়াল্লবা শেনফম অমা ফংখিবগী মতাংদা মপুং ফানা থিগৎপা মথৌ তাই। এ এ পিদা শেল থাদরকখিবশিংগী মনুংদা লোনা য়াদবা ওর্গনাইজেসন কয়াসু য়াওখি হায়না মহাক্না মরাল শীরি।

ৱানা হোৎনদুনা পুরকখিবা পঞ্জাবকী ঈং-তপ্পা ফীভম কায়হন্নবগী মতাংদা এ এ পিনা তোঙান-তোঙানবা লোনা য়াদবা ওর্গনাইজেসন কয়াদগী মতেং লৌরগা থবক থৌরম কয়া লৌখৎলক্লি। থৌরাং অসি মায় পাকহন্দনবা হোৎনফম থোকই হায়রি।

# ছপ্রাগী মিদ দে মিল ৱাথোক্কা মরী লৈননা স্কুলগী প্রিন্সিপাল চহী ১০ জেলদা থম্নবা ৱায়েল পীখ্রে



ছপ্রা, ওগষ্ট ২৯ (এজেন্সী): কুমজা ২০১৩ দা মিদ দে মিলগী চাক চারুবদগী অঙাং ২৩ শিখিবগা মরী লৈননা ছপ্রাগী কোর্ট অমনা প্রাইমারি স্কুলগী প্রিন্সিপাল অমা চহী ১০ কৈশুমশঙদা থম্নবা ৱায়েল পীখ্রে।

পাটনাদগী কিলোমিটর ৬০ লাপ্না লৈবা ছপ্রাগী ধর্ম্মসটি গন্দাৱান খুঙ্গংদা লৈবা গভর্ণমেন্ট প্রাইমারি স্কুল অমদা মিদ দে মিলগী চাক চারুবদগী অঙাং ২৩ শিখিবগী মতাংদা অচৌবা ৱাথোক অমা থোকখিবনি।

থৌদোক অদুগা মরী লৈননা হৌখিবা জুলাই ১৬ তা স্কুলগী প্রিন্সিপাল মীনা দেবীগী মথক্তা এফ আই আর অমা রেজিষ্টর তৌখি। মীনা দেবীগী মপুরোইবা অর্জুন য়াদবনা স্কুলগী অঙাংশিংদা পীজনবগীদমক লৈরুবা চীঞ্জাক্তা হূ চেনবা তিলহাৎ ইদাক য়াওই হায়না মরাল শীবা লৈখ্রবনি। অদুমওইনমক কোর্টনা অর্জুন য়াদবপুদি মরাল লৈতে হায়না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, মিদ দে মিল স্কিমগী খুদোংচাবা লৌনবগীদমক তোঙান-তোঙানবা স্কুলশিংনা অঙাংগী মশীং হেঞ্জিন্না হায়জিল্লি হায়না কন্ট্রোল্লর এন্দ ওদিটর জেনরেল (সী এ জি)গী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

রিপোর্ট অদুনা হায়খি মদুদি, হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট মিনিষ্ট্রিনা পীরিবা মিদ দে মিলগী খুদোংচাবা লৌনবগীদমক স্কুল খরনা অঙাংশিংগী মশীং হেঞ্জিন্না হায়জিনবা থেংনরে। হীরম অসিগী মতাংদা মিনিষ্ট্রিনা মপুং ফানা থিগৎলগা অরানবা চুমথোক্লবা হোৎনফম থোকই হায়না সী এ জিগী রিপোর্টনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

রিপোর্ট অদুনা হায়খি, কুমজা ২০০৯-২০১০ দা অঙাং ক্রোর ১৪.৬৯ মিদ দে মিলগী খুদোংচাবা ফংলম্বদগী ক্রোর ১৩.৮৭ তা হন্থরকখি। হায়রিবা মতম অদুগী মনুংদা প্রাইভেট স্কুলশিংদা মিং চনবগী চাং ক্রোর ৪.০২ দগী ক্রোর ৫.৫৩ দা হেনগৎলকখি। অদুবু স্কুল খরনা অঙাংগী মশীং হেঞ্জিন্না হায়জিল্লগা মিদ দে মিল স্কিমগী খুদোংচাবা লৌদুনা লৈরে হায়না সী এ জিগী রিপোর্টনা মখা তানা ফোঙদোকখি। স্কিম অসিগী মখাদা স্কুলগী অঙাংশিংদা হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা চীঞ্জাক কয়া পীজবা থেংনরে হায়নসু রিপোর্ট অদুনা ফোঙদোকখি।

# কেরলাগী সব্রিমালা টেম্পলদা মখা তানা নুপী চঙবা য়াহন্দনবা থৌরাং লৌখৎখ্রে



টিরুবনন্তপুরম, ওগষ্ট ২৯ (এজেন্সী): নুপীগী ওর্গনাইজেসন কয়ানা লাইনিং লাইশোলগা মরী লৈনবা মফম খুদিংমক্তা নুপা অমদি নুপীগী মরক্তা খেন্নবা থল্লোইদবনি হায়না অকনবা খোঙজং চঙশিল্লিঙৈগী চৈরক্তা অতোপ্পা গ্রুপ অমনা কেরলাগী সব্রিমালা টেম্পলদা মখা তানা নুপী চঙহন্দনবা থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

এজেন্সীগী পাউ মতুংইন্না হীরম অসিগী মতাংদা গ্রুপ অদুনা ফেসবূক্কী খুথাংদা কেম্পেইন অমা চথদুনা হিন্দু লাইনিং চৎপশিংগী শেংলবা লাইশঙনি হায়না লৌনরিবা সব্রিমালা অয়াপা টেম্পলদা নুপী চঙহল্লোইদবনি হায়না ফোঙদোকখি।

গ্রুপ অদুগী মেম্বর অমনা হায়খি মদুদি, থাগী খোঙকাপ লাকপা মরম্না নুপীশিংবু লাইশঙ মনুংদা চঙহন্দবগী চৎনবী অমা মতম কয়াগী মমাঙদগী ঙাক্তুনা লাক্লি। চৎনবী অদু মখা তানা ঙাকপা মথৌ তাই।

সুপ্রিম কোর্টনা হীরম অসিগী মতাংদা ৱায়েল চথুরিঙৈগী চৈরক্তা ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি। এপেক্স কোর্টকী জজশিংনা নুপী চঙহন্দবগী থৌওং অসি কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তা লৈবা মরম্না রাইট টু ইক্বেলিটিগী মায়োক্তা লৈবা থৌওংনি হায়না লৌফম থোক্তুব্রা হায়না গভর্ণমেন্ট অমসুং টেম্পল বোর্দকী ট্রষ্টিশিংদা ৱাহং অমা হংবা লৈখ্রবনি।

অমরোমদা, কেরলাগী লেফট ফ্রন্ট গভর্ণমেন্টনা অথিংবা অসি শৌগৎলোই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

লোর্দ বিষ্ণুগী মচানুপা লোর্দ অয়াপাগী লাইশঙদা নুপী চঙবা য়াহন্দবগী মতাংদা মতম কয়াগী মমাঙদগী য়েৎনদুনা লাকখিবনি। পনবা য়াবদি, হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা বোম্বে হায় কোর্টনা হজি অলি দরগা মনুংদা নুপী চঙবা য়াহনগদবনি হায়না ৱায়েল পীবা লৈখ্রবনি।

ৱিমেন'স রাইটস গ্রুপ অমনা থাঙ্গৎলকখিবা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসনগী পাউখুম পীরদুনা জষ্টিশ বি এম কনাদে অমদি জষ্টিশ রেবতি মোহিটেগী দিভিজন বেঞ্চনা হায়খি মদুদি, লাইনিং লাইশোলগা মরী লৈনবা মফম খুদিংমক্তা নুপা অমসুং নুপীগী মরক্তা খেন্নবা থল্লোইদবনি। লৈবাক্কী মফম খুদিংমক্তা লৈরিবা লাইশঙশিংদা নুপা চঙবা য়াহল্লবদি নুপীসু চঙবা য়াহনগদবনি হায়না কোর্টকী ৱায়েল অদুনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, হজি অলি দরগাগী চ্যেরমেন অব্দুল সটারনা হায়খি মদুদি, ইস্লাম লাইনিংগী মতুংইন্না নুপীবু মোংফমদা চঙহনবা য়াদে হায়বা ৱাফম অমা লৈবনা হজি অলি দরগাদা নুপী চঙবগী মতাংদা মখা তানা অথিংবা থমখিগনি।

বোম্বে হায় কোর্টকী ৱায়েল অদুগী মতাংদা পাউমীশিংনা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা অব্দুল সটারনা হায়খি, লাইনিং লাইশোলগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদা কোর্টনা খুৎ থিংজিনফম থোক্তে। মরম অদুনা হজি অলি দরগাদা নুপী চঙবা য়াহল্লোইদবনি।

# নুমিৎ ৫১গী মতুংদা কাশ্মীর তম্পাক্তা থম্লম্বা কর্ফিয়ুগী অথিংবা লৌথোকখ্রে



শ্রীনগর, ওগষ্ট ২৯ (এজেন্সী): নুমিৎ ৫১ নিগী মতুংদা কাশ্মীর তম্পাক্কী মফম পুম্নমক্তা কর্ফিয়ুগী অথিংবা লৌথোকখিবদগী মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিল্লকপা হৌরে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

পুলিস ষ্টেসন অহুম্না কোনবা মফমখক নৎতনা কাশ্মীর তম্পাক্কী মফম পুম্নমক্তগী অথিংবা লৌথোক্লে হায়না পুলিস ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

হিজবুল মুজাহিদীনগী কম্মান্দর বুরহান ৱানি লৈখিদ্রবা মতুংদা হৌরকখিবা মীয়ামগী ঈহৌ নমথনবগীদমক কাশ্মীর তম্পাক্কী মফম পুম্নমক্তা থমখিবা কর্ফিয়ুগী অথিংবা লৌথোকখ্রবসু পুলৱামা টাউন অমদি শ্রীনগরগী মফম খরদা মখা তানা অথিংবা থল্লি।

ওফিসল অদুনা হায়খি, কর্ফিয়ুগী অথিংবা লৌথোক্লবসু সিক্যুরিটি পার্সনেলশিং মখা তানা থমদুনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখিগনি। হৌজিক ফাওবদা কাশ্মীর তম্পাক্তা মীয়ামগী ঈহৌ নমথনবা হোৎনবদা থোকখিবা থৌদোকশিংদা পূন্না মীওই ৬৮ শিবা লৈখ্রবনি। ঙসি অয়ুক কর্ফিয়ুগী অথিংবা লৌথোকখ্রবা মতুংদা রামবাঘ-জৱাহরনগর অমদি রাজবাঘকী মফম খরদা ট্রাফিক জাম ওইবদগী মীয়াম্না চৎথোক-চৎশিন তৌবদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োক্লখি। মতম কুইনা থবক লেপ্লুরবা মতুংদা গভর্ণমেন্টকী ওফিসশিংদা ইমপ্লোয়ীশিং মশীং য়াম্না কানরকখি। বেঙ্কশিংসু থোঙ হাংনখিবগা লোয়ননা কষ্টমর মশীং য়াম্না লাকপদগী বেঙ্কিং ট্রাঞ্জেক্সনদা খুদোংচাদবা মায়োক্লখি। অদুমওইনমক সেপরেটিষ্ট গ্রুপশিংনা কৌখিবা বন্দনা মরম ওইরগা স্কুল, কোলেজ অমদি দুকান পুম্নমক থোঙ লোন্নখি। ইসেন্সিএল সার্ভিস নৎতনা গভর্ণমেন্টকী ওফিস পুম্নমক থোঙ লোন্নবা সেপরেটিষ্টশিংনা খঙহনবা লৈখ্রবনি।

চৈরকসিদা, সেপরেটিষ্ট-শিংনা কাশ্মীর তম্পাক্কী মফম পুম্নমক্তা সেপ্টেম্বর ১ ফাওবা মখা তানা খোঙজং চঙশিনখিগনি হায়না লাউথোকখ্রে। হৌখিবা জুলাই ৮ দা হিজবুল মুজাহিদীনগী কম্মান্দর বুরহান ৱানিবু সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রবা মতুংদা সেপরেটিষ্টশিংনা কাশ্মীর তম্পাক্কী মফম পুম্নমক্তা খোঙজং চঙশিনখিবনি।

অমরোমদা, য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা লুচিংবা পোলিটিকেল পার্টি পুম্নমক্কী ওইবা মীহুৎ কাঙবু অমা কাশ্মীরদা চৎতুনা ষ্টেট অসিদা থোক্লিবা ৱাথোক লোইশিনহন্নবা থৌরাং লৌখৎকদৌরি।

ওফিসল অমনা হায়খি, সেপ্টেম্বর ৪ দা রাজনাথ সিংহনা লুচিংবা পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক্কী মীহুৎ কাঙবু অমনা লোকেল লীদরশিং উনদুনা ষ্টেট অসিদা থোক্লিবা ৱাথোক লোইশিনহন্নবগী মতাংদা ৱারী শানরগনি। মমাঙদসু রাজনাথ সিংহনা ৱাথোক অসি লোইশিনহন্নবগী মতাংদা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী চীফ মিনিষ্টর মেহবুবা মুফটি অমদি অতৈ মকোক থোংবা লুচিংবা কয়াগা উনবা লৈখ্রবনি।


## ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ খা নাওরেম লৈকায়দা লৈবা বেচু পুখ্রিবু শেমগৎপা খুদক্তা লেপ্পীয়ু

হৌজিক হৌজিক মরী লৈনবা ওর্গনাইজেসন অমদি মীওই খরনা চহী চাম্মগা কুনতরুক (১২৬) হেল্লক্লবা বেচু পুখ্রিবু শেমগৎপা খুদক্তা লেপ্পীয়ু। হায়রিবা পুখ্রি অসিগী মফমদা কনাগুম্বা ওর্গনাইজেসন, ক্লব অমদি মীওইশিংনা খুৎ থিংজিনবীরক্তনবগীদমক মমাংদা হায়জখিবা লৈরবনি। মরম অদুনা ইকাই খুম্নবদা মতীক চারবা ওর্গনাইজেসন অমদি মীওইশিংগী মফমদা নোল্লুক্না হায়জরি মদুদি পুখ্রি অসিবু শেমগৎপীবা অমদি শাজিনবীবা অসি খুদক্তা লেপ্পীয়ু।

খঙহঞ্জরিবা ঃ

On behalf of Donor's Family

**Urikhinbam Nobokeshore**

☎ 9862032625

HL-P/9654/30



## লায়েংজরি UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)

**উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং**

**(অঙৌবা পকপা)**

হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্না লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

**(তাং-তাং চিকপা)**

তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

**(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)**

দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থর্ককনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

**(নুংশং)**

নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

**(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)**

পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

**নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু**

**(নুপাগী প্রোব্লেম)**

ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

**(নুপীগী প্রোব্লেম)**

নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

**(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)**

না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

**(শমগী প্রোব্লেম)**

শম কেন্নবা, পোক হৌবা, শমজবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

**HOW TO GIVE UP WINE**

If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

**HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL**

If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

**DR.(VAID) R N GUPTA (396),**
**Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,**

HL-B/3238/3/08-2/09


**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**IRRIGATION & FLOOD CONTROL DEPARTMENT**

## C O R R I G E N D U M

Imphal, the 29th August, 2016

**No. CE/IFC/6-58/2016:** Please read the **2. Examination Scheme - A) Written Test** as given below in place of the said items mentioned in this **NOTIFICATION dt. 24th August, 2016** and the others remain unchanged.

**2. Examination Scheme**

**A. Written Test**

i. **50 marks ($1^1/_2$ hours) - General English**
ii. **50 marks ($1^1/_2$ hours) for Surveyor**
iii. **50 marks ($1^1/_2$ hours) for Draughtsman/Drafts Grade-III**
iv. **50 marks ($1^1/_2$ hours) - General Knowledge**

Sd/- **G. ROBINDRO SHARMA**
Chief Engineer
I. & F.C. Department, Manipur

HL-P/9599/30 & 31

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**SECRETARIAT: PLANNING DEPARTMENT**

## N O T I F I C A T I O N

Imphal, the 29th August, 2016

**No. 1/57/2015-Plg:** In continuation of this Department's Notification of even number dated 20th June, 2016, inviting application through Employment Exchanges, Manipur regarding the appointment of 5 L.D.Cs in the Secretariat Planning Department, Manipur, it is to inform that written test examination for a total mark of 150 (General English - 100 marks (3 hrs.); General Knowledge - 50 (1 hr 30 mts) by conventional method will be conducted on **25th September, 2016.** Date of issue of Admit Cards for eligible applicants and list of rejected candidates will be announced soon.

Sd/- **Dr. Th. Munindro Singh**
Director
Planning Department

HL-B/3285/30 & 31